ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯲, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯹꯷ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জন্যুৱারি ২২, ২০১৯, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ২৯৭শুবা মশীং

# লোক পাল শেম্নবা থৌরাং

## এপেক্স কোর্টকী ৱাফম থবক্তা ওন্থোকপা ঙমগদৌরিবরা

*শেঞ্জা* থুমজা থিংনবগী পান্দমদা শেমগদবা লোক পাল কম্মিটিদা য়াওহনগদবা মীওইশিংগী মিং পীখৎলক্নবা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টরদা খঙহনখ্রে। চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা লুচিংবা, জষ্টিস এন এন রাও অমদি জষ্টিস এস কে কোলসু য়াওবা বেঞ্চ অমনা সেন্টরগী মায়কৈদা লেপখিবা এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালদা হায়খি, ফেব্রুৱারী থা লোইদ্রিঙৈদা লোক পালগীদমক রেক্কমেন্দ তৌরবা মীওইশিংগী মিং পীখৎলক্কদবনি। হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদগী সেন্টরনা লোক পাল শেম্নবগী মতাংদা লৌখৎলকপা থৌরাংশিং ময়েক শেংনা খঙহল্লক্কদবনি হায়নসু সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখি। ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি মেনপাৱর ৱাৎপনা মরম ওইরগা মতীক চাবা থবক লৌখৎপা ঙমদ্রে হায়না লোক পালগী সর্চ কম্মিটিনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা এপেক্স কোর্টনা হায়খি, কম্মিটিগী থবক থৌরমশিং মপূং ফানা পায়খৎপা ঙম্নবা সেন্টরনা মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎলক্কদবনি। হীরম অসিগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা মার্চ ৭ তা হিয়ারিং চথ্নগদৌরি। লোক পালদা য়াওহনগদবা পেনেলদা পীখৎলক্নবা মীওই নিপালনা শাবা সর্চ কম্মিটি অমা শেমখিবনি। কম্মিটি অদুগী লুচিংবা এপেক্স কোর্টকী রিটায়র্দ জজ রঞ্জনা প্রকাশ দেসাইনি। কুমজা ২০১৩গী লোক পাল এন্দ লোক অয়ুক্তা এক্টকী মখাদা শেঞ্জা-থুমজা থিংনবা লোক পাল অমদি লোক অয়ুক্তা কম্মিটিশিং শেমগদবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবা হীরম অসিগী মতাংদা মতীক চাবা থৌরাং লৌখৎলক্তবগী মায়োক্তা 'কম্মন কোজ' কৌবা এন জি ও অমনা সুপ্রিম কোর্টতা কেস থাংগৎলকখিবনি। কম্মন কোজগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট প্রসান্ট ভুষননা হায়খি, লোক পাল অমদি লোক অয়ুক্তা কম্মিটিদা য়াওহনগদবা মীওইশিং খন্নবগী মতাংদা শেমখিবা সর্চ কম্মিটিনা মতীক চাবা থবক পায়খৎপা ঙমদ্রে। সর্চ কম্মিটিদা য়াওরিবা মীওইশিং কনা-কনানো হায়বদু ফাওবা লৈঙাক্না মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্দে হায়নসু এদভোকেট প্রসান্ট ভুষননা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, শেঞ্জা-থুমজাগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবা সোসল এক্টিভিষ্ট অনা হজারেনা লোক পাল এন্দ লোক অয়ুক্তা এক্ট ২০১৩ থবক্তা ওন্থোক্তবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা জন্যুৱারী ৩০দগী মতম কক্তনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মশাগী পোক্নফম লমদম ওইরিবা মহারাষ্ট্রগী রালেগান-সিধি খুঙ্গংদা হীরম অসিগা মরী লৈননা খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি হায়না অনা হজারেনা লাউথোকখি। পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, ''কুমজা ২০১৩দা লোক পাল এন্দ লোক অয়ুক্তা এক্ট পাস তৌখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না কুমজা ২০১৪দগী লৈরকখিবনি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্না হৌজিক ফাওবা হীরম অসিগী মতাংদা মতীক চাবা থৌরাং লৌখৎলক্তবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা জন্যুৱারী ৩০দগী চরা হেনবা হৌরগনি হায়রি। প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসতা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইনা লৈবা জিতেন্দ্র সিংহদা থাখিবা চেরোল অমদা হজারেনা হায়খি, এন দি এ গভর্ণমেন্টনা তোঙান-তোঙানবা মরম কয়া পীশিল্লগা হৌজিক ফাওবা সেন্টরদা লোক পাল অমদি ষ্টেটশিংদনা লোক অয়ুক্তা শেম্নবা হোৎনদ্রে। মমাঙ চহীগী মার্চ ২৩ দা হজারেনা দিল্লিগী রাম লিলা মাইদানদা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অইবা চেরোল অমা পীদুনা মতীক চাবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না থাজবা পীবদগী খোঙজং হন্দোকখি। অকোনবদা মহাক্না মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ২ ফাওবদা লোক পাল অমদি লোক অয়ুক্তা শেম্নবা সেন্টরদা মতম থাখি। মদু ফাওবদা থবক ওইনা পায়খৎলক্তবদগী মহাক্না চৎলিবা থা অসিগী ৩০ দগী চরা হেনবা হৌরগনি হায়না মতম থাখিবনি। মতাং অসিদা খন্নবা য়ারিবা ৱাফমদি শেঞ্জা-থুমজা মপূং ফানা মুৎথৎকনি হায়বা ৱাখল্লোনদা লৈঙাক পায়রকখিবা এন দি এনা চহী মঙা ফাজিল্লক্নবা ফাওবা করি মরমগী লোক পাল অমসুং লোক অয়ুক্তা শেম্বা ঙমদ্রিবনো হায়বদুনি। হীরম অসিগী মতাংদা কম্মন কোজ কৌবা এন জি ও অমনা সুপ্রিম কোর্টতা থাংগৎলক্লিবা ৱাকৎ তরাইনা লৌফম থোক্তে। লোক সভাগী মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা মার্চ ৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা সুপ্রিম কোর্টকী হিয়ারিং মমাঙদা এন দি এ লৈঙাক্না করি করম্বা থৌরাং লৌখৎলকপগে হায়বদু য়েংবা তাবনি।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈরিবা অকাম্পাৎ হায়রিবা মফমসি কুমগী ঈচাও লাকপা খুদিংগী অকুৎপা মফম ওইবনা ঈশিং তুংলগা মতম কুইনা শাংনা ঈরিদুনা লৈগনবা মফমনি। ইম্ফাল ময়োনগসু শাগোন্নরিবনি। মফমসিগা শম্নরিবা ঈথৈ লৌখোং, ঈরম-নলাশিং শেমগৎ শাগৎপদা থোইদোক্না পূক্নিং চঙহঞ্জনীংই।

মমাঙগী ঈচাওদসু থেংনবা য়াবা অৱা-অনা কয়া থেংনখিবা মীয়াম্নসু খঙনবিখ্রবনি। হৌজিক্তি ঈকং থানা লৈরিঙৈ, শেম্বা শাবা য়ারিঙৈ, মরু ওইরিবা তিঙ্গোং খোং হায়না অকোয়বনা খঙনরিবা ঈরম নলাসি হৌখিবা ঈচাওদা ফজনা তেংদুনা মনীং থংবা লৌবুক্কী মপূশিংগা তানদুনা /য়ানদুনা লম্বী অমসু মোনখাং লম্বী মচিন্দগী নান্দৈবম উকু হায়না খঙনবা, ইম্ফাল তুরেলদা ঈশিংনা চিথখিগদবা ঈরম অমদি নৌনা শেমখিবা লম্বীসি অমুক শেমজিন শাজিনবীনবা মরী লৈনবা অমদি এ সী অসিগী লৈঙাক্কী মীহুৎতসু পূক্নিং চিংশিঞ্জরি। হায়জরিবা ঈরম নলাশিং অসি শেংদোকপীদুনা অমদি নৌনা শেমখ্রিবা লম্বীসি মপুং ফানা চখোক-চৎশিন য়াহনবীরবদি অনকপা অমদি অকোয়বদা লৈরিবা খুদিংমক্না থাগৎনগনি অমদি মতম কুইনা নীংশিংনহৌরগনি।

*অদোমগী - মেঞ্জোর, মোনখাং লম্বী*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৮

১। পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা কংলা-শা ঙসিসু ঐখোয়গী ষ্টেট এমব্লেম ওইরি। বর্মিজনা অমুক, বৃটিশনা অমুক, অনীরক থুগাইরুরবনি।
(ক) করম্বা নিংথৌনা কংলাদা কংলা-শা ইহান হান্না শাখিবগে?
(খ) বর্মিজশিংনা চহী ৭ খুন্তাকপদা থুগাইরম্লবা মতুং নরসিংহ মহারাজনা অমুক নৌনা শাখিবনি। করম্বা চহীদনো?

২। ''মানি নঙসে নুপী / মপু মাগী মঙলাল / মঙলাল মশামক / তাইবঙদা থোকপা লুগী তোংগী হকচাং।'' পরেংশিং অসি কবি মীনকেতনগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। ''ঈশ্বর করিনো? ঈশ্বরগী অশেংবা অর্থদি অমরোমদা ইংরাজিদা কন্ট্রোল্লর হায়বনি।'' ৱাফম অসি 'ধর্ম অমসুং বিজ্ঞান' কৌবা ৱারেং অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৪। ''খনৱা নঙনা নুমিৎ অদুদা/ইমাসিং অদুখক্তনি ফি লংথোক/ইকাই ইকি পূম্বা তেমশিংনখিবা।'' পরেংশিং অসিনা মেমচৌবীগী শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৫। ''শিনাই তুরেলগী মপান্দা চোংথা মিয়াগী হকচাং পোৎলোইখিবা মং অদু, ৱাপল ময়াম অমনা কোয়শিন্দুনা লৈরি। ৱাফম অসি 'মেজর চোংথা মিয়া' কৌবা পুন্সি ৱারীদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

# মেত্রিক পরিক্ষা নীংশিংলুবদা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৫৩৩

**জিতেন নামৈরাকপম**

*কুমজা* ২০১৯, অনৌবা চহী হৌখিবগা লোয়ননা জন্যুৱারী থাগী থাখায় চনশিনখ্রে। কুইররোই জন্যুৱারী থা শোয়দনা লোইখ্রগনি। ফেব্রুৱারী থা অমুক চঙলক্কদবগী ঙাইদুনা লৈখ্রে। হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংগী অনৌবা সেসনসু হৌবা য়াওনখ্রে। ফেব্রুৱারী থাদদি মণিপুরগী স্কুল খুদিংমক অনৌবা সেসন শোয়দনা হৌনরগনি। অনৌবা সেসন হৌবা মরক অসিদা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইরিবদি মেত্রিক অমদি টুয়েল্ভ এগজাম অনী অসিনি। লাক্লিবা ফেব্রুৱারীগী তারিখ ২০দগী মেত্রিক এগজাম পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোইখ্রে। চপ মান্নে টুয়েল্ভ এগজামিনেসনসু মখা চথরক্লগনি।

মেত্রিক পরিক্ষা খ্বাইদগী নুংশিবা মতমনি। খ্বাইদগীসু হেন্না লুই খনবা পরিক্ষানি। মেত্রিক ফেল ওইবা পাম্বা মীওইবু কনা লৈবগে? মেত্রিক্তা মায় পাক্না লাকপদুনি পাম্নরিবসি। মতম অদু নুংশিরকই। হৌজিক্কী অসিগুম্না ট্যুসন কলচর লৈরমদে । অঙ্কখক্তংদি ট্যুসন মতেক মতেক তৌরকই। মদুসু মেন মান তাবজাৎ নত্তে। তৌরিবা হায়বদুনি। ইচিন ইনাও য়াম্বনা মরম ওইরগা প্রাইভেট তমগে হায়রুবদা তম্লনু পীনীংঙাই শেল লৈতে অসিনি। পরিক্ষা ময়াদা ইখ্বোলগী কাচিন্দা, হৈনীং মখোঙদা, য়েন্থৌ ময়াদা, তেম্পাক লৈতুম মরক্তা বোরা নৎত্রগা ফক থাদুনা নুংশা য়াইথরগা লাইরিক পাবসি য়াম্না চৎনরম্মী। পরিক্ষা ময়ানিবু হায়রবদি নোংঙাল্লমদাইদা হৌগৎলগা ফিজাউ ইন্দুনা লাইরিক পাবা, অঙ্ক হোৎপসিসু হৌনশানি। ঐখোয়গী হেক মনীংদা ক্লাস মান্নবা মরুপ অমা লৈ। মহাক্তি লাইরিক পাবদা মখোল হৌগল্লি। মহাক্কী কা মনুংদগী পারকপসি ঐখোয়গী কাদা মখোল তাবা ফংই। মতমদু নিংথম থানি। অয়ূক্কী পুং ৩গা তারগদি মহাক্না লাইরিক পারকপগী মখোল হৌনা তারনি। মতম অদুদা ঐখোয়গী ইমুংগী মীশিংনা হৌদোরক্কনি, অপোকপী পলেমনসুনি হায়রক্কনি মীদি লাইরিক পাবা হৌখ্রে, হৌগৎলু! মহাক্কী খোঞ্জেল তাবদা তূমদুনা লৈবা ঙমদে। ঐসু হৌগৎলি লাইরিক পাবা হৌই। অসুম্না হৌরকখি পুন্সি খোঙচৎ অসি।

মেত্রিক পরিক্ষা থাবা য়াম্না কিবসু ফাওখি মতম অদু। মতম অদু ঙসিদগী চহী ৩৫ রোমগী মমাঙ ওইরমগনি খঞ্জে। ইম্ফাল ময়োলদগী হায়বদি মাইল ষ্টোন জিরোগী নূং য়ুংলিবা জোনষ্টোন মমাঙ, অসাম রাইফলস লৈরম্বা, কংলাগী হোজংগী মখা থংবা, কংলা পার্ক (কনাগুম্বনা কংলা পাৎ হায়নৈ। লাল্লি, কংলা পার্ক হায়গদবনি। তৌরিবা হিদেন অদু কংলা মোটনি, লানবননি)। অদুদগী কিলোমিটর ৩ লোম মখারোমদা হাইথরক্লগা লৈবা খা ইম্ফাল হায় স্কুলদা তমজরকই। মেত্রিক পরিক্ষাগী সেন্টরনা মথক্তা পঞ্জখিবা ফোর্থ অসাম রাইফলস লৈরম্বা কংলা গেট অদুদা লানশিল্লগা/চঙশিল্লগা অৱাং পাংনা থেকৎলগা লৈরম্মী ফোর্থ অসাম রাইফলসতা হায় স্কুল অমা। মদুদা সেন্টর ওইনা থারে মেত্রিক। বেলদি খিংখ্রে। অহানবা নুমিৎ অদু ইংলিস থোকখিব্রা খল্লি। খরা কাবক-কাবক ইবা হৌরে। অফাবা/অখঙবা খরা। কুইদে পুংখাই ফাদে। হায়নরকই/ঙাঙনরকই/বোর্দ লাক্লে-বোর্দ লাক্লে। ইনভিজিলেটর তারিবা ওজানা হায়খি - নহোয় নোট তৌগনু বোর্দকী মী লাক্লে ফারবদি শোয়দনা তান্থোকপীবা তারে। মদগীদি কমদৌগে হায়বদা মশা মশাদা য়েপ্লম্বা লাইরিক, নোট মচেৎ থোঙনাওদা করিদা লোইনা ইন্থোক্লরকখি। ভেরেন্দাদা লাইরিক, চে মচেৎ ঙাক্তা ঙাইবনি। ঐগী কপ্লাক্কসি নিকপনি কিজবনা বোর্দ লাক্লে তাবদা। ঐনা য়েপ্লকপা নোট মচেৎ অমা ফুরিৎখাওদা য়াওরিবদু ওজা ইনভিজিলেটরদুনা উবা জাৎনি। ইবুংঙো নঙসু শোয়দনা শিবা তারে লোয়না উরে হায়রগা চে মচেৎ অদু মহাক্না লৌশিনখ্রে। অশংবা মচুগী শারি শেৎপী ওজা নুপীদুগী হকচাংদা য়েপশিনখ্রে। ওজা অদু য়াম্না চীং লেম্মী, ফজৈ। মমিং অদু ওজা বিনা হায়বা মাল্লি। বোর্দকী কাঙবু লাক্লিবশিংদুনা কা কাদা চঙদুনা চ্যেক তৌবদুদা উন ৱায়মুক চীকখি। চ্যেক মোক লাউনদে। শুপ্নতগী মিনট ১৫/২০ রোম নৈখায়রম্লগা মখোয় চৎখ্রে।



হেক চৎখিবদগী ময়ামদু লাঙখৎনরক্লে। শিনবা-খোৎপা হৌনরক্লে। ঐগী তঙ্খায় চনখ্রবা অন্সর অদু ইনবগীদমক ফুক হৌগৎতুনা ওজাগী হকচাংদা য়েপলিবা নোট মচেৎ অদু চঙশিন্দুনা লৌরুই। ওজা বিনা করিসু হায়রক্তে নোকপদুম নোকশিল্লকখি। অসুম্না মেত্রিক পরিক্ষা পাস তৌরকখি।

হৌজিক্না অমুক কমদৌবা! পরিক্ষা অসি মতমদুগা য়াম্না খেন্নরে। খোঙবাল চেনবা য়াদ্রে। লাইরিক মমুৎ তানা পাদবা য়াদ্রে। ক্বেসন দিজাইনসু ওন্থোক্লা খেন্নরে। ঐখোয়গী মতমদা মল্টিপল চোইসমক্তা মার্ক ২০ হংলম্মী, হৌজিক্না ৪দগী হেন্দ্রে। এসে টাইপ ওফ ক্বেসন্দসু মার্ক ১৫ ফাওবা পীরম্মী। হৌজিক্না সোর্ট অন্সর, ভেরি সোর্ট অন্সরমক্তা ঙায়খ্রে। মার্ক ১/২/৩দা ফিক্স টাইপ ওফ ক্বেসন মক্তনি। ফ্রী টাইপ ওফ ক্বেসন ইয়াও য়াওদ্রে। হৌজিক্কী অঙাংশিংদা নুংঙাইরিবা হায়ববু সী ঈ ঈ হায়দনা স্কুলনা চহী অমা চূপ্না লৌরকপা চেপ্টর ৱাইজ টেষ্টকী মার্ক ২০গী মনুংদা ১৮,১৯/২০দি খূৎতা পুদুনা চৎখ্রে। মেত্রিক পরিক্ষা থাগদৌরিবসি শুপ্নতগী মার্ক ৮০খক্তনি। ঐখোয়গী মতমদা য়ামদ্রবদা মার্ক ৩৩দি ফংদবা য়ারমদবদু হৌজিক্তি মার্ক ২০খক ফংলগা ইরায় লায়না পাস তৌরে। অদুনদি চাদা মরিফুতরাগী মথক্তা ইরায় লায়না ফংনরে। টোপ্পর মশীং য়াম্লক্লে। তৌবতবু সী ঈ ঈগী টেষ্ট তৌবদা য়ানীংবা লৈরি। মদুদি চহী অমদা নুমিৎ ৩৫৬ লৈরিবসিমা লাইরিক তম্লগা শুপ্নতগী পুং ৩খক্কী মনুংদা চাংয়েং তৌবগী মহুত্তা হপ্তা খুদিংগী চেপ্টর ৱাইজ টেষ্ট তৌগদবনি অঙাং অদু কয়া য়াম্না হৈরে য়েংঙু হায়বনি।

মেত্রিক পরিক্ষাখক্তগী নত্তবীদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি টেন প্লস টু অসিসু অমনি। অনীমক হৌগৎলক্লিবা অঙাং অমগী পুন্সি মায়ওনদা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং লৌরিবনি। হায়নৈ লাইরিক হৈতবদি মীৎ তাংবগা পাম্খকনি। হৌজিক্কী মতম অসিদা লাইরিক হৈতবা শুকয়া য়াদ্রে। হৌজিক্না অমুক লাইরিক হৈরগসু কম্প্যুটর হৈত্রগদি মীৎ তাঙবগুম্বনি হায়রি। মসিমসু লাল্লি করম হায়সিগে। অইবগী অমখক য়াওজবা ইচানুপা অদুসু হন্দক্কী মেত্রিক পরিক্ষা লাক্কদৌরিবা ফেব্রুৱারী অসিদা থাগদবগী ঙাইরি। মহাক্কী মতৌ উবদা ঐহাক তূম্বা য়াদে। করি থোক্লগবা মালংবা অসুম্না খন্দুনতা লৈরে। স্কুল ওজানসু ফনা য়াম্না এদভাইস পীবনি মঙোন্দা - লাইরিক কন্না পাউ, হোৎনৌ, মীথোই মীহেনবা ঙম্নবা হোৎনৌ। অদুবু ঐখোয়না ৱাজরিবসিগা মানা তৌথোরকপগা ইখেত্তা খেন্নবা উজে। ঐতগীসু নত্তে। মমান্নবা পরিক্ষা থাগদবা মহোয় ৪/৫ রিভিজননিদি হায়রগা য়ূমদা লাইরিক ইপা পাবা উদে। এম আই মোবাইল হেন্দসেট অমা ইথা থাদে। করিগুম্বদা মচেগী লেপটোপ অদু পায়বা উই। লাইরিক পায়দি হায়রগা ফেসবুকনি হায়দুনা মমায়না লাইরিক্তা নল্লগা তূম্বা উজে। মতাং অসিদা মেত্রিক্তা টোপ্পর ওইগদবা কাঙবুদি তূম্বা চাবা খঙলম্লোই। পূম্নমক অসি ওইদুনা হন্দক্কী কুমজা ২০১৯গী মেত্রিক এগজাম থাগদবা কাঙবুদা য়াইফ পাউজেল পীজরি।

# শা-লান্দা হৈশিংবী থৌনা ফবী মৈতৈ লৈমা লিন্থোইঙম্বী

**- ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -**

*মণিপুরী* নুপীশিংগী মথৌনা মরিংজেল-মরৌশিং মালেম্না শক খঙনরবনি। লাই হাক্তক্তগী হৌনা নুপী ওইবীশিংনা পাঙথোক্লম্বা থবক থৌরমশিংবু শিংথারম্বা মতাং কয়া চিনবুং ৱারী, ঈশৈ, লাইরিক্লচিংবদগী মরাং কায়না ফংবা ঙম্মী। লমদম অসিগী লাইচৎলোন্দা ইমা লৈমরেল শিদবী, ইমোইনু, ফৌওইবী, পান্থোইবীনচিংবা লাইরেম্বী কয়াবু ঈরাৎ থৌনিবগী থৌরম য়েলহৌঙৈগী মতমদগী হৌনা ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। লাইরেম্বীশিংগী মনুংদা শা-লানগী লাইরেম্মা ওইনা মতিক ময়াই শৈথাবা থেংনৈ। লাইরেম্বী পূম্নমক্কী মকোক ওইবী ইমা লৈমরেল শিদবীবু শা-লান্দা ফীরান থেৎপী অথোইবীনি হায়না লৈমরেল মিংখৈ হায়না মিংথোনবা লাইরিক্তা শৈথারিবা মতেক অমা লৌখৎচরি,

*ইমা নঙগী নতিক নয়াইনা শাউরক্লবদা নঙগী নমাঙদা মায়রোং য়াদুনা চোঙথোকপদা খাঙবা ঙমহন্দবীনি। মমান্নবা মায়োক য়াদুনা লান শোক্নরিবা পূম্নমক্কী মপূ ওইরিবীনি। ইমা নঙগী পাম্বোম মশীং য়াম্বনা পায়রিবা খূৎশু খূৎলায় মশীং য়াম্বা মরম্না শীংথাবা ঙমদ্রবীনি। লানফমদা ইমা নঙগা মায়োক্লবদা ইমাগী থাঙহাই য়েংবদা নোংথাং কূপকুম লংনা থুনা হাইবা ঙম্বীনি । ইমা নঙগী খোঙচৎতি শঙাইশেন্না পাইবগুম অহুনবা তানা য়াঙনা চৎপদা মশক উদবগুম অমদি লানফমদা হুনবা তাদি শঙাইশেল পাইবগুম্না অমদি নুংশিত্তগী থোইনা হেন্না য়াঙহনবা ঙম্লিবীনি।*

মসিদসু নত্তনা ইমা পান্থোইবীবু লানগী লাইরেম্বী ওইনা ঈরাৎ থৌনিবগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোক্নরি। অসিগুম্লবা লাইরেম্বীশিংগী মতিক মঙন মথৌনা মরৌশিং কয়া অদু ঐখোয়গী নুপীশিংদা হাপ্পীরম্লে হায়দা হায়মনবা থোক্লোই। নিংথৌরোল লম্বুবা, চৈথারোল কুম্বাবনচিংবা লাইরিকশিংদা ইরম্বগী মতুং ইন্না মৈতৈলৈমা কয়ানা শাফম-লানফম কয়াদা মায়পুনবা থৌদাং লৌদুনা লানঙম ফিরাল থেৎখি হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লি। মখোয়শিংদুগী মনুংদা মৈতৈলৈমা লিন্থোইঙম্বীগী মতিক মথৌনা মরৌশিং মীপূম খুদিংমক্ল া শীংথানরি। মহাক মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বা (১৪৩২-১৪৬৭) গী তালোয় মৈতৈলৈমা ফমথোন কাখিবীনি। মণিপুরগী পুৱারীদা মহাক্কী মমিং হক্তুনা লৈরম্লে হায়বসি পূম্নমক্লা য়ানরবা ৱাফমনি। মহাক্কী মথৌনা মরিংজেল মরৌশিংগী মতেংনা ইরৈবাক্কী লুরবা মতাংদা খুদোংথীবা নংগদবদগী কনবা ঙমখি হায়বসি চৈথারোল কুম্বাবা, নিংথৌরোল লম্বুবনচিংবদা ময়েক লানা ইরি।

মৈতৈলৈমা নোংবাল্লোন লিন্থোইঙম্বী অসি ইম্ফাল তুরেলগী নোংপোক থংবা ৱাংমদা তাবা অঙোম নিংথৌ নোংপোক কাসোম্বা লম্মীৎকী মনাও শেনখুফাবগী মচা নুপী অহলনি। নুপীমক ওইজরবসু চীং-মান, তু-খোং কয়া লান্না চত্তুনা লম্মীৎ-তুমিৎ খঙনবা হোৎনখিবীনি হায়বগা মরী লৈনবা মতাং অমা নিংথৌরোল লম্বুবদগী থমজরি।

*অৱাং থাংৱাই লমগী ময়ায়দা লৈবা চীংদা (চঙাঙ্গৈ, নম্বোল, লৈত্রাম, লমশাং, পাৎশোইনচিংবগী অৱাং থংবা লমগী ময়ায়দা লৈবা চীং) দা খোইমোম ফৌওইবী লাইরেম্মনা তু-খোং লাল্লম্বা পল থাংৱাই লমগী লৌ তাংখম লীৱাপোক থাংৱাই লমদমদা লাইরেম্মনা খোঙদাখি।*

- মহাকপু মীরোল মথং মথং লান্না মতিক মঙন শৈথাদুনা শোন্নরকখিবগী মরুওইবা মরমদি মহাক্না মথৌনা মরিংজেল অমদি মরৌশিং পুথোক্তুনা মরৈবাক মরমদম অমদি লৈবাক মীয়ামগী পুন্সিদা শীংনরকখিবা য়েক্লবশিংবু ইরায় লায়না খুদুম চনশিনবা ঙমখিবননি। থৌদোক অদুগা মরী লৈনবা ময়েকশিং পুৱারীগী লমায়শিংদা ময়েক লানা ইশিন্দুনা থম্বীরম্মী। মরী লৈনবা ৱারী অদু থমজরি। কুমজা ১৪৪৩দা মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বনা লুচিংদুনা অঙম অথৌ খোঙমী লান্মী অয়াম্বা কবোগী অক্লা খুঙ্গংদা লান্দাবা চৎখি। মতম অদুদা মৈতৈলৈমা লিন্থোইঙম্বীনচিংবা নুপী অঙাংশিং অমদি লান চৎপা য়াওখিদবা অশোন অনা, অহল-লমনশিংবু তাংখমদা থৈদুনা থল্লম্মী। নিংথৌ, অঙম অথৌ, খোঙমী লান্মীনচিংবশিং লৈতবগী খুদোংচাবা লৌরগা তাংখমদা পৈদুনা থল্লিবা ফৌ-চেঙ, হৱাই-চেঙৱাই, মহৈ-মরোংনচিংবা লন-থুম কয়া খোমগৎনবগীদমক তাংখুলশিংনা লান হৌরক্লম্মী। অসিগুম্লবা লৈবাক্কী ওইবা খুদোং থীনিংঙাই ওইরবা ফীভম অদুদা মৈতৈ লৈমা অমা ওইবগী পাঙথোকফম থোকপা মথৌদাং অদু চপ চানা পাঙথোকখিবী মতিক চাবী নুপীলক্তগী অথোইবীনি। অরৈবা থৌনা লৌশিং পূম্নমক খোমজিন্দুনা য়েক্নবগী থৌরাং মহয় য়ালহন্দনবা পোরম পোমিৎ য়াৎখি। কোনুংগী লৈমশিং অমদি অঙম অথৌশিংগী তালোয় পূম্নমক্কা লোয়ননা য়েক্লবা লাম্বা পাননবগীদমক শেম শারম্মী। মশামক মীনা য়েংবদা মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বগী শক্তম মান্নবগীদমক মশম লৱাইদা পুনখৎলগা কোকয়েৎ তোলোক হাপ্তুনা নাদা নাশি পুংমায় য়াল্লগা নিংথৌগী শাফি লানফি শেৎলম্মী। অতোপ্পা নুপীশিংসু শাফি লানফি শেত্তুনা শক লোৎলগা তাংখুল লান্মীশিং থেংননবা শেম শারম্মী। তাংখুলশিংনা মখূৎতা তাপাক পায়দুনা লানগী লানলাউ লাউরগা চঙশিল্লকপা মতমদা মৈতৈ লৈমা লিন্থোইঙম্বীনা লৌশিং তৌদুনা মৈদিংঙু নাউথিংখোংগী খোঞ্জেল মান্নবা মওংদা শেন্নগা অসুম্না হায়রম্মী, ''ইনাইশিং অচানবা! তুশেল লান্দা থৌবশিং! নখোয়দি মৈদিংঙু ঐনা অক্লা খুঙ্গংদা লান্দারুববু তেংবাংলদে।'' মদু তাবদা তাংখুলশিংদু ঙকপগা লোয়ননা নিংথৌ অমদি মাগী খোঙলোয়শিং অক্লাদগী কোনুংদা হল্লক্লে হায়না খল্লম্মী। মখোয় পূম্নমক্লা লিন্থোইঙম্বীবু নিংথৌনি হায়না খনবদগী মৈতৈ লৈমগী মফমদা চঙজরম্মী। মতম অদুদা মৈতৈ লৈমনা পাইরক্কী লৌশিং শীজিন্নদুনা হীদাক মনা অয়াকপা নোইশিল্লবা য়ু পীথক্লবা মনাইশিংদা য়াথং পীরম্মী। হায়রিবা য়ুদু থক্লুবদগী তাংখুল পূম্নমক ঙাওরগা তাদুনা লৈরম্মী। য়ুগী ময়াইনা ঙাওদুনা পাঙ্গল লৌশিং থোক্ত্রুবা তাংখুলশিংদু মঙক্তা থৌরি হুক্লগা ফৌগৈগী কৈথোঙ খুদিংমক্তা পুনশিল্লগা থল্লম্মী। মতৌ অসুম্না তাংখুল নিংথৌবু ফাবা ঙম্বীনি হায়বগী মতাংদা নিংথৌরোল লম্বুবদা অসুম্না শৈথারি, *''লানফম অসিদা তাংখুল তুশেন নিংথৌ হেনপুরিংবা কৌবা লান্দা থৌববু লানঙমখি। নুমিৎ অসিদগী নোংবাল্লোন লিন্থোইঙম্বী হুয়েন পুরিংবা ফাবী হায়না মিংগৌখি।''* চৈথারোল কুম্বাবদা ইরিবা থৌদোক অসিগা মরী লৈনবা মতাং অমা থমজরি। *''শকাব্দ ১৩৬৫দা মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বনা অকলা নাখিঙৈদা মৈতৈলৈমা লিন্থোইঙম্বীনচিংনা লৈবাক অপূম্বা তাংখমদা থৈরিঙৈদা তাংখুল হাও চীংশাং পূম্বা লান হৌরক্তুনা খোমগে লাকপবু ঙমদনা ফাহৌএ।''*

অতোপ অতোপ্পা লানফম কয়াদসু লৈমা লিন্থোইঙম্বীনা শরুক য়াদুনা লানঙম ফিরাল থেৎখিবগী মতাং কয়া অমসু নিংথৌরোল লম্বুবদা শৈথারি। মহাক্না শেলোই মপীথেলদা লান্দাবগা লেয়ননা তাইটন শূনাচীংদসু লান্দাখি। লানফম অদুদা তাইটন নিংথৌ তাংখুল হাউতোনববু লানঙল্লকপগা লোয়ননা শা-ষণ ময়াম অমসু খোমগৎলকখিবীনি। মোংবা হিয়াংলমদা লান্দাখিবী মৈতৈ লৈমা কনম খুনগী খুনয়াইদা লান্দাবদসু খাকি নিংথৌ তেচনবী তেচনববু লানঙমখি। নোংপোক মায়গৈ পাংবলমগী কবুই য়াংলা খুন অমদি খা মায়গৈদা লৈবা কুমফি খুন্দাবা খোংয়াং কুমফি লৈশোক পুংদসু লান্দাখিবীনি। লানফম অদুদা বোংয়াং খুনগী নিংথৌ মকু শায়াপাল মরিংববু লানঙমখি। মহাক্না লান ঙমখিবা অতোপ্পা খুনশিংদি খারম খোইরোই, কবো তম্পাক্কী ৱাইশি নমতোংপান, মোইরাং পনবা য়াই। লাংথা নিংথৌ মারানা মাগী খুঞ্জাশিংগা লোয়ননা মৈতৈ নিংথৌগী মায়োক্তা লান হৌরকখি। লালহৌ অসিবু নমথবদা মৈতৈ লৈমা লিন্থোইঙম্বীসু অচৌবা থৌদাং লৌখি।

মতৌ অসুম্না নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা মৈতৈ লৈমশিংনা লৈবাক্কী ওইবা থবক থৌরম কয়াদা মায়পূনবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। হায়বসি ময়েক শেংনা উৎলি। লৈমা লিন্থোইঙম্বীনা শাফম লানফম কয়াদা থৌনা ফনা শরুক য়ারম্লিবসিনা তাকপদি নুপী ওইবীশিংসু শা-লান, থাঙ-তাগী মহৈ চঙখোন্না হৈরম্মী হায়বসিনি। মণিপুরদা লৈরম্বা ফুরুপ কয়া পূনশিন্দুনা অপূনবা মণিপুর অমা শাগৎননবগীদমক শোক্নখিবা লানফম কয়াদা মায়পুনবা থৌদাং লৌখিবী লিন্থোইঙম্বীনা মণিপুরগী পুৱারীদা মরু ওইবা মফম অমা কন্দুনা লৈরি। মহাক্কী মথৌনা মরৌশিংগী মপান্না অপূনবগী শক্তমদা শিংনরকপশিংবু মাঙহনবা ঙমখি। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা ইমা লৈমরেল শিদবীগী মতিক মঙন হাপ্পীরম্লবী মৈতৈ লৈমনি মহাক্তি।